থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# মীকিথী ! নঙনা শাউরকপবু ঐখোয়দা কৈদৌজরনি?

ঙসিদি ঐ হায়নীংঙাই লৈতনা শাউনীংলে। তাইনফম খঙদা ৱারৌরে। শাউনীংলিবা কনাদা? ৱারৌরিবনা কনাদা? চাননা হেক হংজীল্লক্লবসু ফোঙদোকপা কিরি ঐ। অদুদনি, ইশানা ইশাবু মীকিথী অমগুম লৌজ রিবা অমুকসু। ঐনা শাউরে তাবদা ঐবু শাউহল্লিবা মশানা হায়রক্কদ্রা খনবা ৱাহায়দুনি ৱারেংসিগী মিংথোল ওইনা থমজরিবা- 'মীকিথী ! নঙনা শাউরকপবু ঐঙোন্দা কৈদৌজরনি'? খঙদে, ঐসিবু মীরক-মীচন্থী ইরাংজিদা হায়রগা 'ইন্ত্রোভর্ত'কা হায়দুরা? হায়ফম খঙদে, তৌফম খঙদে। শাউনীংবগী হায়রুরবদি ঐহাক ইপুম থীৎলবনি, পনখে অমা লৈতনা। অদুবু ঐহাক হৌজিকসু তূমিন লৈরি, ঐবু শাউহল্লিবা মহাক্লা/মখোয়না করি খনখিদগে খন'। ঐহাক শাউরে হায়বসিফাও খঙহনবা ঙমদ্রি অতোপ্পদা। ঙসিতা নত্তে, ঙরাংতা নত্তে ঐবু মহাক্লা/মখোয়না শাউরল্লবা, ঈরাং অমা হৌরক্লবা, মঙোন্দা খূৎ থারক্লবা... খৎনবদু ঐহাক্লা হৌই হায়নবা, মৈজাও ওন্নবা মৈরীদু ঐনা হান্না চূরক্লবা হৌজ থেংখাং কয়া হোৎনরক্লিবসি কুইরবনি। ঙসিসু হৌরি লেপ্তুনা। হোৎনবসিনা লেপত্রবদি নোংমা, শেন্নহৌদ্রবা মীকূপ অমদা খূৎ থোক্লরক্তুনা মূখৎপা ৱারবা মৈজাও অমা হৌরকপসু য়ারিবনি। মদু থোক্তবদি ওইসনু।

ময়াম হংবীনীংগনি- করিগীনো শাউনীংলিবা? শাউহল্লিবসিনা কনানো? অদুবু, ৱারেংসিগী অহৌবমক্তদা হায়জখিবদুনি- ঐ মদু ফোঙদোকপা কি। ঐ, কিগনবা মী, মীকিথী অমনি। ৱারমসিবু তারবা, ঐ থাজৈ- অদোমসু শোয়দনা হায়রক্কনি- 'ৱাফমসিদা শাউনীংলিবসি নহাক নথন্তা ওইরল্লোই, কয়া অমসু লৈরমগনি'। খঙবসু খঙই ঐ- খোয়শাউননা খাঙলিবা কোঙ্গায় অমসু লৈ, তৌফম খঙদ' ফুম্বংননা খূৎ থেক্তুনা খাঙবই ৱানি। মুন্না খনজীল্লুরগা, খল্লকই অমুকসু... 'অশাউববু ফাথবা ঙন্বা হায়বসি মীওইবগী তাঙলবা গুন অমনি, মতৌ তন্বা ৱারবা'... হায়না অহল-লমন'শিংনা হায়নরম্বদু চুম্বা জাৎনি। লমদমসিদা লৈরিবা 'মেজোরিটি কম্যুনিটি' (মীশিং য়ান্বা কাঙলুপ) নি হায়না শকখঙলবা, মাইনোরিটিদি ওইরক্লবা ফুরুপ অসিনা 'বিগব্রদর্লি এত্তিচ্যুদ' উৎলমদ্রবা, শাউগনবা কাঙলুপ ওইরম্লবা, ইশম শম্না 'মীকিথী তেগ' নপ্লমদ্রবা... লমদম অসি নহান্না তাঙ্গোয় ওল্লবা লমদম অমা ওইরম্লনি। মতৌ তম্বা ৱারগদবা, থোইদোকপা ইতৌ অসিগীদমক ঐহাক 'চাউথোকচফম' ওইগদ্রা? নৎত্রগা, 'ঈকায়নীংঙাই' ওইগদ্রা? মদুসু ঐহাক চমম্লে।

ঙসি ঐনা, থৌরৈতনা/থৌনাইদবা অমগুম পোত্থাফম খঙদ' খোয়শাউনরিবা ইতৌসি চহী খরগী মমাঙদসু অমুক থেংনখ্রে, চপ চাবা তারিখতুদি কাউখরে, ২০১১-'কুট ফেষ্টিভেল'- মাঙওইননা হন্দোকখিবা 'নুমীৎ ৯২গী ইকোনোমিক ব্লোকেদ' অদুগী হাক্তক্তা। 'সদর -হিলস-দিষ্ট্রিক্ট-দিমান্দ-কম্মিটি'না চথখিবা ব্লোকেদ ওইরমাল্লে, মতমদুদা লমদমসিগী মীয়াম্না খাঙখিবা অৱা চৈথেঙ... ষ্টেট অমদি সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্ট অনীমক, পান্থে লৈত্রবা ওথোরিটি অমগুম্না চপ লেপ্তুনা লৈখিবা, ওথোরিটি শীজিন্নবা ঙমদ্রবা ওথোরিটি ওইরকখিবা... লমদমসিগী সিটিজেন ওইনা লৈরুবগী কান্নবা করিনো হায়নফাও' খনখিবনি মতমদুদা। চহীদুগী ওক্টোবর ২৮দা পাঙথোকখিবা 'নিংঙোল চাক্কৌব'গীদমক য়েংলগা ব্লোকেদ অদু নুমীৎ নীনিদং কোমথোকপীয়ু হায়দুনা লৈমিন্নরিবা ফুরুপ অমনা হায়জবদা তাবীখিদ্রগা, সদর হিলস সব-দিভিজনবু দিষ্ট্রিক্ট অমগুম লৌদুনা লৈঙাক্লা শেমগৎ শাগৎপগী থবক পায়খৎলগনি হায়বগী থাজবা পীরব'তুং, দিমান্দ কম্মিটি'গী প্রসিদেন্ট'না প্রেস কনফরেন্স অমদা হায়খিবা ৱা'দুমদি ঙসিসু লৈরি কাউ'ঙমদনা... 'ব্লোকেদ হন্দোকপগী ৱারেপ লৌরিবসি সরকারনা পীবা থাজবসিদা থাজরগা নত্তে, নবেম্বর ১দা পাঙথোক্কদৌরিবা কুট-ফেষ্টিভেল অমদি নবেম্বর ২দা হোম মিনিষ্টর চিদম্বরম লাক্কদৌরিবসিগী য়েংলগনি'...। ৱাহৈশিংসিদা য়াওরিবা 'কম্যুনেল তোন'- খন্থবীয়ু অমুক্তা। থেংখাং অসিখক্তা নত্তে, চহী খরখক্তগী রেকোর্দ ফাক্কৎলুরগা শৈথাবদা পীক্লবা কোল্লম অসিগী স্পেস কোন্নরোই।

হৌজিক লৈঙাক্লা চঙশিল্লিবা 'ৱার ওন দ্রগস'কী খোঙজং, লমদম অসিগী নহাশিংবু নিশাগী ঈপাক্তা লূপখিগদবদগী কন্নবা লৌখৎলকখিবা অফবা খোঙথাং অমনি। লমদমসিদা খুন্দামিন্নরিবা মায়কৈ খূদিংমক্কী তোঙান তোঙানবা ফুরুপশিংনা লৈঙাক্কী খোঙথাং অসিবু তরাম্না ওকখি। অদুবু, দ্রগ লল্লোনবগী থবকসিদা হকথেংননা চেন্নবা মীওইশিং অদুনদি খোয়দৌ থীৎনা শাউনীংলমগনি। মখল কয়াগী দ্রগশিং পুথোক পুশিন তৌরম্বগী ফারবা মীওইশিংগী মথক্তা চথখিবা ৱাথোকশিং খুজ্রু-মুজ্রু তৌদুনা লোইশিনফম খঙদনা লৈরিবা... তৌবা-ঙম্বা, মীচঙ-কনবা লল্লোনবা-মী পুলিস অমদি জুদিসল কষ্টদিদফাও লৈরম্লবা অমবু 'করবার অদু মাগী দ্রাইভরনা তৌরম্বনি, মাগী মরাল লৈরমদ্রে' হায়না থাদোকখিবা... ঙক্ল-ঙক্লবা থৌদোক কয়াসু থোকখ্রিবা লমদম অমনি। মীয়ামসু খঙই, লৈঙাকপশিংসু খঙই- থৌদোকশিংসিদা চেন্নরিবশিং 'পোলিটিকল লীদরশিং' ফাওবা মখোয়গী খুদোম্বীদা উংহন্দুনা থম্বা ঙম্বা অচৌ-অশাঙ ঙাক্তনি। অদুননি, লুপা ক্রোর কয়াগী মমল ওইবা দ্রগ ফাবগী থৌদোক কয়া থোকখ্রবসু, অকি-অখঙ লৈতনা করবার মখা চথরক্লিবা। লেপ্পা লৈরোই, করবার মখা চথরকখিনি/চথরমখিনি। হৌজিকসু ফাবা লেপত্রিবসিনি। করি অমুক হায়গনি- মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী মীওই ফাওবা য়াওরমদুনা থবক লৌথোকখ্রেদনা। 'ৱার ওন দ্রগস'- মিসন অসি লুচিংলিবা মীওইশিংদা মীয়াম্না নীংশিংজনিংবা, ফোংনা হায়বদি ঙমজদবা ৱা অমা লৈ। দ্রগ-পুথোক-পুশিন তৌরম্বগী ফারবা মীওইশিংগী ইকোনোমিক ষ্টেন্দর্দ, মখোয়না পুরল্লিবা দ্রগশিংগী ভেল্যু... য়েংলুরগা খঙই দ্রগশিংদুগী/লল্লোনপোৎ অদুগী মপু-মখোয় অমত্তা নত্তে। মখোয়নসু ফোঙদোকপা কি। সরকারগী ইনভেষ্টিগেটিং এজেন্সীনসু ফোঙদোক্তে। খঙদবনরা? নৎত্রগা, মশক নাইবা লৈঙাকপশিংগা নক্লবা মী ওইবনরা? চিংনদবা ঙমহন্দে।

মপান লৈপাক্তা শুংবা দ্রগশিং, মরু ওইনা গোল্ডন ত্রাইএঙ্গল এরিয়াদগী থোল্লকপা লমদমসি ফাওরগা অতৈ লমদমদা পুখিবা, নৎত্রগা, লমদমসিগী নহাশিংনা তেল্লেৎ ওইনা নৎত্রগা পাউদর ওইনা পুশিল্লকপা... মওং অনীসিদনি মোরেল য়াওদবা করবারৱালাশিং, শেল থুনা পায়নবগী মরম অমা ওইরকখি। করবার অসিনা হেন্না খুম্মাং চাউশিল্লক, খঙলকখি- দ্রগ অসি শুংবগী থবক, লমদমসিগী খুঙ্গং-খুনয়াদসু পায়খৎলল্লে। মনুং হনজিন্না লৈবা চীংয়া তময়াদসু শোয়দনা পায়খৎনরম্লনি। লোন্না তৌবা থবক্কী অফোংবা রেকোর্দ লৈতবগী খঙদবনি। দ্রগ মেন্যুফেকচরিং য়ুনিট চীংনুংদসু লৈরম্লনি হায়জরুবই মরমদি, ৱার ওন দ্রগসকী শরুক অমা ওইনা পায়খৎলক্লিবা পোপ্পী পাম্বী য়াম্থৎপগী থবক অসিদগী খঙলকপা... 'কয়ামুক পাক্লা শন্না, লমদমসিগী চীংমায়শিংদা পোপ্পী প্লান্টেসন তৌরল্লবগে' হায়বা ইনফোর্মেসন অসি ফংলুবদগীনি। নোংথক্তগী লৌবা ভিদিও-ইমেজ শিংদা, হৌরম্বা উ পূম্নমক য়াম্থৎখিদুনা পূমহাঙ হাঙলবা চীংমায়শিং, পোপ্পী থানবগীদমক শেম-শারম্বা... একর লীশিং কয়াদা য়াল্লবা পুলিস ফোর্স অমদি ভোল্যন্টিয়রশিংনা য়াম্থত্তুনা মাঙহনখিবা... য়াম্থৎপগী লোইবা নাইদ্রিবা, পোপ্পী য়াম্থৎপা চৎখিবা ভিলেজ দিফেন্স ফোর্স- পর্সনেল ফাওবা ফাদুনা হাৎপা য়াওরকপা... ইস্যু অসি লোকল-টিভি-চেন্নেল অমদা নৈনবদা, মমিং পন্দবা নুপী অনীখক্তা খুরুমদুনা হায়জরবদি পোপ্পী-থাবা-থিংবা ঈরায় লায়না থিংবা ঙমগনি হায়রুবইদমক পাউচে অমগী ইদিটর, ময়ুমদগী পুলিসনা লৌখত্তুনা ৱাহং-পাউহং তৌখিবা, মতুংদা ইদিটর'দু খন্ন-নৈনবা য়াওহনখিদবা... অসিনচিংবা পাউসি তারুবদগীনি- হৌদোং তুরেল কূমদবা, মীকিথী ঐনা অমুক খোয়শাউনরক্লিবা, তাইনফম খঙদ' কলম পায়খৎলুরিবা। অমুক্তা হেন্না শাউনীংলুরিবনা- পোপ্পী থাবগী থবকসিদা মায়পুননা তৌরল্লিবা মীওইশিং, অয়াম্বনা 'চীংদা তাবা অকক্লবা ফুরুপ' অমগী মী ওইরম্ব'সিনি।

লৌশিং পুক্কে

# ঙা চাবনা ঐখোয়গী হকচাংদা

## তোঙান তোঙনবা কান্নবা কয়া পীরি অমদি লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী



হকচাং ফবনা লননি হায়বসি মালেমগী ওইনা য়ানরবা খ্বাইদগী হেন্না চুম্লবা ৱাফম অমনি। হকচাং ফনা লৈহন্নবগীদমক্তা ঐখোয়না মচি লৈবা চীঞ্জাক চারি অমদি মখল কয়াগী শাজেলশিং তৌরি। অদুবু করিগুম্বা মতমদা ঐখোয়না ঐখোয়গী অকোয়বদা য়াম্না মরাং কায়না অমদি মমল হোংনা ফংবা চীঞ্জাকশিংদি হেক হেক মশক খঙবীদবগুম তৌরি। ঐখোয়গী অকোয়বদা হকচাংদা কান্নবা চীঞ্জাক কয়া মরাং কায়না ফংই হায়বসি কৈদৌনুংদা কাউরোইদবনি। মনা-মশিংদা ওইরবসু পালংশাক অসি ঐখোয়গী য়ুমগী অকোয়বদা য়াম্না মরাং কায়না হৌই। পালংশাক চাবনা হকচাংদা মখল কয়াগী কান্নবা পীরি। মসি নত্তবা চাবদসু হাওবা, নুমীৎ খূদিংগী ঐখোয়না চারিবা চীঞ্জাক্তা মচল অমা ওইরিবা ঙা অসিসু হকচাংদা কান্নবা য়াম্না পীবা চীঞ্জাক মখল অমা ওইরি। ঙাদা মরুওইনা প্রোটিনগী শরুক অসি চাং য়াম্না য়াওই। দাইবেটিস অমদি হায়পরটেন্সন লৈবা মীওইশিংনা অতোপ্পা চীঞ্জাক চাবদা নুংঙাইতবা কয়া লৈরবসু প্রোটিনগী হৌরকফম ওইরিবা ঙা চাবদদি মীপায়নিংঙাই ওইদে। হেল্থ ক্যের এক্সপার্টশিংনা চয়োল অমগী মনুংদা ঙা য়ামদ্রবদা অনীরক নৎত্রগা অহুম্লক চানবা খঙহল্লি। মরমদি ঙাদা ওমেগা থ্রী ফেটি এসিদ মরাং কায়না য়াওবনা মরম ওইরগা হকচাংগী কয়াৎশিংনা মথৌ তৌবদা চাউনা মতেং পাংশিল্লি। করিগুম্বা ঙা চাবা হৈনদবা মীওই য়াওরবসু ঙাদগী শেম্বা থাউগী কেপ্সুল চাবগী হৈনবী থমগদবনি।

ফিশ ওইল কেপ্সুল অসি মরুওইনা তুনা, হেরিং অমদি এনকোবিসকুম্বা ওমেগা থ্রীগী শরুক মরাং কায়না য়াওবা ঙাশিংদগী শুংদোক্লবা থাউনা শেম্বনি। ঙা খরগী লিভরদসু হায়রিবা কান্নরবা মখলগী থাউ মখল অসি শুংদোকপা য়াই। ফিশ ওইল কেপ্সুল অসি হৌজিক্কী মতমদা খ্বাইদগী দিমান্দ লৈবা কেপ্সুল অমা ওইরক্লি। মীয়াম্না ফিশ ওইল কেপ্সুল কা হেন্না পাম্নবগী মরুওইবা মরমদি মসিনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিং অদুননি। ফিশ ওইল কেপ্সুল চাবনা ঐখোয়গী হকচাংদা পীরিবা কান্নবা খরগী মতাংদা খঙমিন্নসি।

১) ঐখোয়না ঐখোয়গী থম্মোয়বু মশা-মউ ফনা লৈহন্নবা অমদি হার্ট এটেক নৎত্রগা ষ্ট্রোকনচিংবা থোকল্লোই হায়রবদি ফিশ ওইল কেপ্সুল অসি চাং নাইনা চাগদবনি। মসিনা থম্মোয়গী তোঙান তোঙানবা লায়নাশিংনা পীরক্কদবা চৈথেং কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্বগা লোয়ননা ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌদুনা থম্বা অমদি কোলেষ্টেরোলগী চাং মেনেজ তৌবদা চাউনা মতেং পাংই। ফিশ ওইলদা য়াওরিবা ওমেগা থ্রী ফেটি এসিদ অসি য়াম্না কান্নে। মরম অদুনা ঐখোয়না হকচাং ফনা লৈহন্নবা হোৎনবদা হায়রিবা কেপ্সুল অসি চাগদবনি।

২) ফিশ ওইল কেপ্সুলদা ওমেগা থ্রী ফেটি এসিদ মরাং কায়না য়াওবনা মরম ওইরগা কেপ্সুল অসি চাং নাইনা চারবদি ঐখোয়গী হকচাংগী খ্বাইদগী মরুওইবা পার্ট অমা ওইরিবা ব্রেনগী মপাঙ্গল অমদি মথৌ হেনগৎহনবা ঙম্মী। কেপ্সুল অসি চাং নাইনা চাবনা ব্রেনগী মথৌ তৌবদা মতেং পাংশিনবগা লোয়ননা নীংশিংবগী পাঙ্গলসু হান্নদগী হেন্না হেনগৎহনবা ঙমগনি। মরম অদুনা অহল ওইরক্লবা মীওইশিংনা ফিশ ওইল কেপ্সুল চারবদি ৱাখল মাঙবগী থৌদোকশিংদগী ঙাকথোকপা ঙমগনি। মসিগী মথক্তা ফিশ ওইলনা দিপ্রেসন অমদি এঞ্জাইটি হন্থহনবদসু মতেং পাংবা ঙম্মী।

৩) ঐখোয়গী হকচাংদা য়াওরিবা শরূ অমদি মসলগী মপাঙ্গল শোন্থরক্লবদি মী অমা ওইনা হিংবদা মপুং ফাদবা হায়বদু ওইরকই। অদুবু ফিশ ওইল কেপ্সুল চাং নাইনা শীজিন্নরবদি মসলগী রিকোভরি রেট হেনগৎহনবগা লোয়ননা শরূগী মপাঙ্গল কন্না লৈহনবদসু মতেং পাংই। ঐখোয়গী হকচাংনা ওমেগা থ্রী ফেটি এসিদ মরাং কায়না ফংলিবমখৈ হকচাংগী কয়াৎ পুন্বা মপাঙ্গল ফনা লৈগনি। ঐখোয়না অরুম্বা পোৎ অমা থাংবা মতমদা মসলগী শরুক খরা শোকপা য়াই। মদু রিকোভর তৌনবা হোৎনবদা মতম চঙই। অদুবু ফিশ ওইল কেপ্সুল চাং নাইনা চাবা মীওইদদি অতেনবা মতমগী মনুংদা রিকোভর তৌবগা লোয়ননা মসলগী মপাঙ্গলসু কনবা হেনগৎহল্লি। মসলগী মপাঙ্গল কনবা হেনগৎহনবদা নত্তনা শরূগী মপাঙ্গল কনহনবদা ফিশ ওইল কেপ্সুলনা চাউনা মতেং পাংবনা মরম ওইরগা শরূদা অতেক-অকায় থোকহনবদগীসু ঙাকথোকপা ঙম্মী মসিগী মথক্তা উনসাবু মশা ফনা লৈহনবদসু চাউনা মতেং পাংই হায়রি।

আর্টিকল অসি রিলাইএবল সোর্সতা য়ুম্ফম ওইরগা ফোঙবনি, অদুবু মসিনা মেদিকেল প্রোফেসনেলশিংগী পাউতাককী মহুৎ শিন্নবা হোৎনবদি নত্তে

# ককচিং সুমাক লৈকায়দা দিষ্ট্রিক্ট স্কিল মেলা পাঙথোকখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : দিষ্ট্রিক্ট স্কিল কম্মিটি ককচিংনা শীন্দুনা দিষ্ট্রিক্ট স্কিল মেলা ঙসি ককচিং দিষ্ট্রিক্টকী হেদ ক্বার্টরদা লৈবা সুমাক লৈকায় জনরুম হোলদা পাঙথোকখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট স্কিল মেলা হৌদোকপগী থৌরম অদুদা মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কিল দিভেলপমেন্টকী মিসন দিরেক্টর এল এন কসুংনা অথোইবা মীথুং, দেপ্যুটি কম্মিস্নার ককচিং সোমোরজিৎ সলামনা থৌরম মপু লোয়ননা ষ্টেট মিসনগী চীফ ওপরেটিং ওফিসর এম এস এস দিগী জোইন্ট দিরেক্টর অমরজিৎ আর কে, এস আর এল এমগী অনুরাধা অমদি এ দি সী ককচিং অদহরি মেহৌনা অখন্নবা মীথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা দিষ্ট্রিক্ট স্কিল মেলাগী থৌরম অদুদা দিপার্টমেন্টেল ষ্টোল মরি, ট্রেনিং ইন্সটিট্যুট ষ্টোল মঙা, ট্রেনিং প্রোভাইদর ষ্টোল মরি, ফার্মর প্রদ্যুসর ওর্গনাইজেসন ষ্টোল অমা, ট্রেনিং প্রোভাইদর/ইমপ্লোয়র ষ্টোল অনী, ওন্ট্রপ্রেন্যুর ষ্টোল অনী অমদি ইমপ্লোয়রগী ষ্টোল মরি য়াওনা পুন্না ষ্টোল ২২না শরুক য়াখি।

দিষ্ট্রিক্ট স্কিল মেলা অদুগী শরুক অমা ওইনা এস ৱাই এন এ পি এক্সকী মেনেজিং দিরেক্টর অনিল হাওরোকচমনা হোষ্ট ওইখিবগা লোয়ননা আই দি এম ককচিংগী এ অথেয়াস, মুক্তা সুজগী প্রোপ্রাইটর পদ্মশ্রী এৱার্দী মোইরাংথেম মুক্তামনি, মৈরা ফুদসকী প্রোপ্রাইটর হঞ্জবম সুৱা, ইলাইজ গ্রুপকী সী ঈ ও কম কো-ফাউন্দর প্রদিপ মৈত্রম অমদি মেদিলেন ফাউন্দর কম মেনেজিং দিরেক্টর ডা. পিবারেলনা পেনেলিষ্ট ওইনা শরুক য়াদুনা টোক্সো অমসু পাঙথোকখি।

স্কিল মেলা হৌদোকপকপগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা অথোইবা মীথুং ওইনা শরুক য়াখিবা মণিপুর সোসাইটি ফোর স্কিল দিভেলপমেন্টগী মিসন দিরেক্টর এল এন কসুংনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর অসি লিটরেসি য়াম্না ৱাংবা ষ্টেট অমা ওইরবসু লাইরিক হৈবা নহাশিং থবক ফংদবগী চাংসু অদুক্কী মতিক ৱাংবা ষ্টেট অমনি। মসিগী মরম অসি ঐখোয়গী একাদেমী নোলেজ গা মার্কেটতা মথৌ তারিবা স্কিল লেভেলগা মান্নদবগীনি। ঐখোয়না হৌজিক্কী মতমগী মার্কেটনা করি মথৌ তারিবগে হায়বদু নৈনবা মথৌ তারে হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ০৯ (ঐচ এন এস) : ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটিগী পেট্রোন মেম্বর সেরাম নেকেনগী মপোক নুমীৎকা মরী লৈননা জ ৱাহরলাল নেহরু ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (জেনিমস)কী ব্লদ বেঙ্ককা খুৎশম্নদুনা ভলন্টরি ব্লদ দোনেসন কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না ইন্দিয়ন রেদ ক্রোস সোসাইটি, ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী সেক্রেটরি অথোকপম নবচন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অদুনা মখা তারদুনা হায়, ঙসি পাঙথোকখিবা ব্লদ দোনেসন কেম্প অদুদা সেরাম নেকেন মশামক য়াওনা ভলন্টিয়র ৭না মশাগী ঈ কৎখি। থৌরম অদুদা ঈ কৎখ্রবা দোনরশিংদা সর্টিফিকেট য়েন্থোক্তুনা দিষ্ট্রিক্ট ব্রাঞ্চ অসিগী চ্যেরমেন নরেন্দ্র নিঙোম্বনা চহী অমগী মনুংদা নোংমত্তং লাকপা মপোক কুমওনদা মরুপ-মপাংশিংগা লোয়ননা ঈ পীবগী থৌরম পাঙথোকপা অসিনা ষ্টেট অসিদা ঈগী অৱাৎপা লৈরিবা কয়া অসি খরদং ওইরবসু মেনখৎতুনা তাঙলবা মীওইবগী পুন্সি কনবা ঙমগদৌরিবনি। মরম অদুনা ঐখোয় খূদিংমক্কা ঈ কৎতুনা মীওই কয়াগী পুন্সি কনমিন্নসি হায়নসু মহাক্লা ফোঙদোকখি হায়রি।

# ঙসিগী রাশি ফল

অইবা : ডো. ৱাংখেম জীবোল সিংহ
এসিষ্টেন্ট প্রোফেসর (বাইওষ্টেট) জেনিমস
চীংমৈরোং, ইম্ফাল।

তাং ১০।০২।২০২৩ ইং, ইরাই, অয়ুক পুং ৭.৫৯ ফাওবা ফাইরেলগী ১৯ নি পাল্লি, মতুংদি ২০নি পাল্লনি।

**মেষ:** লম খুদিংদা মায় পাকচগনি। লেঙদবা লন চাওখৎপা, মীয়ামগা মরী ফগৎপা, পাইরক্কী লৌশিং চাওবা, নচা-ননাইগী নীংবা থুংবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চানবী।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা

**বৃষ:** খোয়রাং খোয়শাওনবা, চরাঙনবনা মাঙজবা লৈগনি। হন্থবা লোয়নগনু, ৱানোম থৌনোম তৌরুনু-চোপ্পা নংগনি। ঈংথনা লৈথোকউ।
লৈশা পাখংশিংগী- মতম হৌহনখো।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**মিথুন:** লৌশিং চাওরসু ফুদোকপা ৱাগনি-মরুপ মপাং লোয়নবা কান্নগনি। অরুবা থবকতি তুংগী ওইনা শীন্দোকহৌবনা তুংদা অশিঙবা তাগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মরুপকী মতেং ফংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ নাপু/কিসমিস

**কর্কট:** শেল থুম ফংবা, মীয়ামগা মরী ফগৎলকপা অমদি হকচাং নুংঙাইবা হেনবা নুমিৎনি। খঙনা খঙনা অরানবা তৌবা য়াবা লৈ-চেকশিল্লু।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা মপা চাগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিংগোক

**সিংহ:** মীনা লাকচবদি ৱাগনি। মরম খঙদনা হোয়া ফবদি নচাক নরল ময়েং তাগনি। অশাওবা ফুদোকপসু কান্নগনি, মরুপ মপাং লোয়নবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবনা অমা ওইগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**কন্যা:** ঈকায়বা নংবা য়াবা লৈ-থবক ইন্খাংগী লমদা ৱাঙাং অমদি পোরম শীনবা চেকশিল্লু। য়েৎনবা লৈরম্বদি ফরে, নক্লবনা চানবীগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- পুক্লিং পেঞ্জগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**তুলা:** য়েংশিনবা, কল্লকপা অমদি তৌফম খঙদবা লৈগনি। লাই-গুরুগী ৱা নত্তনা উপায় অমত্তা লৈরোই। য়েৎনবা, মীতোপ থাজবনা মাঙজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- মীৱা থাজগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিংগোক

**বৃশ্চিক:** পাউ নুংঙাইবা তাজবা, মায় পাকপা, মীয়াম্না ফনা শোন্নবা, ওজা-গুরুনা চানবীবা নুমিৎনি। নীংবদুমক ইচঙ থৌনা পাঙবা য়াগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবা থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ হিংগোক

**ধনু:** নীংবদুমক পাঙবা য়াগনি, চাদিং হন্থগনি, নচা-ননাই/নহৈদা পুক্লিং পেঞ্জগনি অমদি মীনা কিনবা নুমিৎনি। অদুবু ৱাঙাংদি হৈবা ৱাৎকনি।
লৈশা পাখংশিংগী- লাইবক খরদি ফৈ।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙাঙবা/কিসমিস

**মকর:** ইমুং মনুংদা ৱাখল তান্নদবা লৈতনবা পুক্লিং ফাথনা থৌ পাঙউ অমদি হেন্না পামশিনগনু। থাজদনা পক্লবনা কল্লকপা, অঙম্বনা চৈবিবা লৈ।
লৈশা পাখংশিংগী- নশাগীতা খনগনু।
থৌনি পোৎলম : লৈ অশংবা/কিসমিস

**কুম্ভ:** নচাক নরলদি হান্নগুম হেনগৎকনি, লৌশিংদা কনানসু লাকচবা ঙম্লোই । পাউসু নুংঙাইবা তাজগনি, পন্দুনা লৈরুবা লনসু ফংজগনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নুংশিবনা চাল্লি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা

**মিন:** আশা চাওবগী কান্নজবা, য়েক্লবা মাঙখিবা, নখা থাবগী মতেংনা ওইজবা ফংবা নুমিৎনি। নথৌদা পুক্লিং চঙদ্রদি চাদিং হেনবা শোয়দবনি।
লৈশা পাখংশিংগী- নীংবদি থুংগনি।
থৌনি পোৎলম : লৈ অঙৌবা/চেঙ

থৌনি পোৎলমশিং অসি ইশানা নীংজবা লাইদা কৎপীয়ু মহয় ফংগনি।

মমি ৱারী

# ইবুধৌ কৌব্রু হরাওবা, চকপা ফয়েং

## পাওনম বিরজিৎ



